হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, এপ্রিল ১২, ২০২২, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ০১৯শুবা মশীং

# হিন্দিলোল কম্পলসরি ওইহনবা

## মঙফাউনগদ্রা, মঙলাক্লগদ্রা

লৈবাকসিগী কন্সটিটুস্যননা শকখঙলবা, সেদ্যুল লেংগ্বেজশিংগী মরক্তা হিন্দিলোলসু অমনি। লোল অসি লৈবাকসিগী ফাওনা লোল (লিঙ্গুৱা ফ্রাঙ্কা) অমা ওইবগী মথক্তা ওফিসল লেংগ্বেজ অমসু ওইরিবনি। লৈবাক অসিগী শরুক পূম্নমক ওইরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্নমক্তা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না লোল অসিবু তম্বা, ঙাঙবা অমসুং শীজিন্নবদা লৈবাকসিগী কন্সটিটুস্যননা অমসুং চৎনরিবা লো অমত্তনা অথিংবা পীদে। হৈনীংবা, খঙনীংবা অমসুং অপাম্বশিংনা হৈজবা, খঙজবা অমসুং তমজবা য়াই। শুপ্নতগী ক্লাস ৱান্দগী টেন ফাওবদংগী নত্তনা তম্বা য়াবা ফাওবগী লৈরিবা থাক ফাওবদা তম্বদা অয়েৎপা অমসুং অথিংবা লৈতে। হিন্দিলোল খক্তগী ৱাফম নত্তনা মালেমগী চাওখৎলবা, লৈরিক-লৈরাক থল্লবা, লনগৈ পানা লৈরবা ফজরবা লোলশিং ফাওবা তম্নরি, তম্ফম হাংদোক্নরি। খুদম ওইনা পল্লবদা জপানিজ লোল তম্নরি। লোল য়াওনা মরী লৈনবা পূম্নমক শিৎ-নান্না খঙননবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা সেন্টর ফোর ম্যান্মার ষ্টদিজ হাংদোকপা লৈখ্রে। মসিনা শাইজিন লোন্নরিবা ম্যান্মার খক্তগী ৱাফম নত্তনা মালেমসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্কী লোল অমনা অমগী  খঙনবনা ফুরুপ মশেলদুগী মরক্তা নুংশি-চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্দুনা অমত্তা ওইবা শক্তম হেন্না ময়েক শেংহল্লি হায়বসিদি ককপা য়াররোইদবা, পুমচুম চুন্নবা ৱাফমনি। মসিমক্না অমসুং মসিগী ৱাখল্লোনগী পান্দমসু য়াওরমগনি খল্লি হন্দক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লৈবাকসিগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট পূম্নমক্কী মহৈরোয়শিংদা ক্লাস ৱান্দগী টেন ফাওবগী মহৈরোয়শিংদা হিন্দিলোলবু কম্পলসরি ওইনা তমহল্লগনি হায়বগী ৱাফমগা কাংথোরক্লিবা।

চুম্মী, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈবাকসিগী লৈঙাক কুমজা ২০১৪দগী লিংলকখিবনা হৌজিকসু মখা চত্থরি, লৈরি। অসিগুম্বা মখলগী লৈঙাক লৈরকপদগী মমাঙদা লৈরম্বা অতোপ্পা পার্টিগী লৈঙাকশিংনা তৌরমদবা মওংদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীয়াম্বু থোইদোক হেন্দোক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা চাওখৎ-থৌরাংগী য়াওনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোরক্লি। মখা তানসু পাঙথোকখিগনি হায়রি। অদুবু তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কাঙলূপ কয়ানা পূন্না হিংমিন্নরক্লিবা, মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা 'মিনি ৱর্ল্ড' অমা ওইরিবা লৈবাকসিগী মফম পূম্নমক্তা হিন্দিলোলবু কম্পলসরি ওইনা তমগদবা লোল অমনি হায়দুনা লাউথোরকপসু নত্তনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং খক্তগী ওইনা অতম্ননা ফোঙদোরক্লিবা করিগীনো? হোয়, দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎলিবা লৈবাকসিগী ৱায়েল চুপ্লি মতম-মতমগী ওইনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা পায়দুনা লাকই। মখোয়না মীখল থেংনরমদাইদা মশীং য়াম্বা মীয়ামদগী ভোট ফংননবা মখল কয়াগী পাম্বৈশিং পুথোক্তুনা শীজিন্নৈ। মদুদা মায় পাক্লগা লৈঙাক্কী মপু ওইবা ঙমজরক্লগনা মখোয়গী পার্টিদুগী অনীংবা-অপাম্বা, তৌগে খনবা থবকশিং পাঙথোক্লবা হোৎনরকই। তৌসু তৌরকই। মসিগী পরিং-লিক্লমদা লাকপগী থৌওংনি হায়বমক য়াবরা খল্লি হন্দক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগী খোঙথাংসি। অদুবু হংদুনা থিদোক-খঙদোকপা য়ারিবা ৱাফমদি লৈবাকসিগী সেদ্যুল লেংগ্বেজ অমা ওইবগী মথক্তা ওফিসল লোল অমসু ওইরবা হিন্দিলোলবু য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অকক্লবা ষ্টেট খরদা শোয়দনা, কম্পলসরি ওইনা তমদবা য়াদে হায়দুনা লাউথোকপা, তমহন্নবা হোৎনরকপা য়াব্রা? মসিদা লৈবাকসিগী কন্সটিটুস্যননা অমসুং লোনা অয়াবা পীব্রা? পিরাই ঙাক্তুনা থমগদ্রা হায়বগী ৱাহংশিংনি। অদুগা তমজরোই নৎত্রগা খঙজরোই হায়বা য়াওনরক্লগনা মদুদসু অয়াবা পীগদ্রা নৎত্রগা লৈঙাক্কী থৌরম থৌশিলগী ৱাংমদা, মায়োক্তা লেপ্লকপনি হায়দুনা চৈরাক পীগদ্রা হায়বনি। ৱাফমসি কাঙথোরকপদগী নাগালেন্দগী নাগা পীপলস ফ্রন্ট, মণিপুরগী কোংগ্রেস য়াওনা লন্নাই অমসুং মহৈরোয় লূপশিংগী মচিন লেংবা হৌরক্লে। অদুবু মদোমদা চৎখিদ্রিঙৈদা ৱাফমসিদা কন্সটিটুস্যন অমসুং লোগী ভেলিদিটিশিং লৈব্রা, লৈরগনা কদাই ফাওবা লৈবগে হায়বদু হান্না থিদোকহৌবা চুমগনি খল্লি। লৈরমদ্রগদি লৈঙাক পায়রে হায়দুনা পার্টি অমনা তৌনীংবতা তৌবদি য়াফম থোক্তেনা।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১) অঙাংশিংগীদমক্তা ৱারী-শৈরেং মখলদা ইবা **"মেলাদা উৎখিদ্রবা সনারৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"মণিপুরগী চীংনুং মানুং, পাৎ লৌবুক অমসুং চম্না লেঞ্জবা পুন্সিগী অমম অঙানগী মচু পূম্নমক মহাক্কী খূৎইদা ফোঙদোক্লবা লাক্লরি। ৱাহৈ লীক্লা শীজিন্নদুনা খজিক্তনা য়াম্না ফোঙদোক্লবা হোৎনদুনা মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ৱারীমচাশিং নীংশিংহল্লি।"** শক্লাইরবা ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরগী শক্লাইরবা ৱারীমচাগী অইবা অমগী ৱারীমচাশিংগী মরমদা হায়রম্বনি। ৱারীমচাগী অইবা অসি কনানো?

৩) ***"ঐগী থৱায় কিশিন্দুনা পায়রি নঙনা/নঙগী খুবাম্মুংদা, হে অশিবা!/মঙক্তা থৌরী থুরবা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ফংদ্রবা/থৌরীগী মচিন অমনা মহাক্কী খূত্তা পায়রিবা/তাউবা হূই অসিগা মান্নৈ ঐগা। ঐগীনি হায়ববু/ঐনা কন্থোক্লিবা অহাঙবা অসিখক্তনি।"*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৪) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী **"গীতাঞ্জলি"** অসি মণিপুরীদা মী কয়ামুক্না হন্দোকখ্রে। অহানবা খূৎনম ওইনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওক্টোবর ১৯৯৮দা ফোঙখিবা **"গীতাঞ্জলি"** অসি কনানা হন্দোকপনো?

৫) ***"মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গা ৱারী)"*** অহানবা শরুক, হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা  খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হন্দক্কী লৈঙাক্তা মীয়ামগী থাজবা অমদি থাজদবা

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৯৮**

**জিতেন নামৈরাকপম**



নুমিৎ চাম্মনিগী মনুংদা থবক চাম্মা পাঙথোক্কনি হায়না হন্দক্কী বি জে পিনা লুচিংবা অনীরকশুবা লৈঙাক অসিনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি। মসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা থবক পূম্নমক লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং শোয়দনা ওইফম থোকই। মরমদি মীয়াম্না থাগৎখিবা মীহুৎশিংনা লৌরকপা ফিরেপ্না মীয়ামগী মায়োক্তা থবক তৌরকপা হৌনদে। মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবীবা, মীয়াম্বু নুংঙাইবগী মহাউ ফংহনবা, চাওখৎ লমজেলদা মাঙজিল থানা চৎপা হায়বসিনা লৈঙাক্কী তৌদবা য়াদ্রবা মথৌ ওইবদুবুনি মীয়াম্না পাম্নরিবসি। চাওখৎপা হায়রগা ইনাক কৈরাক খুনবা, ৱাত্ত-পাদবশিংনা য়ূম-কৈ ৱাংনা-ৱাংনা শাগৎপা, অতাঙ-অতাঙবা গাড়ী তোংলগা চৎপা, মখোয় খরনা তৌনীং-তৌনীংবা থবক তৌবদুখক নত্তে। লৈত-লায়রবা, অৱাবতনা মশরুক ওইরবা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈরবশিংবুসু মান্নবা থাক্তা পুখৎপীরকপা অদুনি। পূম্নমক মান্নবা মীৎয়েংনা য়েংবীবা অদুনি। হন্দক্কী শ্রী বিরেননা লুচিংবা অনীশুবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগীদমক খল্লগা করিগুম্বা থবক খরদি শোয়দনা তৌরক্কদ্রা খল্লি।

লৈঙাক্না লাউথোকখিবা মতুংইন্না করপসন থিংবা হায়বসিদা ইহান হান্না ফোকস পীবগুম তৌখি। মসিমক্তি য়াম্না থাগৎনীংঙাইনি। শেঞ্জা থুমজা তৌদবা, তশেং তশেংবা, তৰূ-তৰূবা কোনশেংগী লৈঙাক অমা ওইহনসি হায়বনি। মরম অসি ওইবনা হান্না মমাঙগী লৈঙাক্কী মতমদা লাউথোকখিবা এন্টি করপসন সেল শিরুম নারুম লৈরম্বদু নৌনা অমুক হিঙ্গৎহনখ্রে। হন্দক্কী অসিদি মওং অমা ওইনা থবক হৌগৎলকপা থেংনরে। লৈঙাক্কী লোয়শঙদা থবক তৌরম্বা শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎতুনা জেলদা থম্বা হৌখ্রে। লুপা ক্রোর ক্রোরগী স্কামদা চেন্নবা লোয়শঙ মকোক ওইরম্বা অমদি বেঙ্গলোরদা চেল্লগা লোৎতুনা লৈখ্রে হায়বগী পাউ অমসু তানরি। মরক অসিদা এন্টিসিপেটরি বেল লৌরগা লৈবসু য়াওনা মীয়ামগী থৌগল পুকচেল শেংনা তৌবীয়ু, এমপ্লোয়ী অমা ওইনা ফংফম থোকপা তোলোপ লৈঙাক্না মতিক চানা পীবদু মীয়ামগী থবক ট্রান্সপরেন্সি ওইনা তৌনবগীদমক্কি হায়না মীদিয়াদা ফোঙদোক্লখিবশিংদু মখোয়নদি কল্লক্তুনা ঙাঙনরিবনি, লাউজরিবনি খল্লি। হৌজিক্তি লোক আয়ুক্তগী থাঙশাংনা হাইথরকপা হৌরেদনা। লৈঙাক্লসু মীচঙ মীখাই নাইবীগনু। মরাল লৈবশিং কনখৎতুনা থম্বীগনু। বিহারদদি শা-ষণগী শজিক লৈবগী কেসতা চেন্নবা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা লালু প্রসাদ যাদবসু ফোদ্দর স্কামদা চেন্নবদগী জেল য়ৌরিবদুনি। অমুকসু মখা তারবদা শেল চাবদা লোয়শঙগী মচা মশু খরা ফারিবসিখক্তদি ওইরল্লোই, মপি শোয়দনা লৈরমগনি। মপিশিং অদুবুসু ফারগা মরালগী মতুংইন্না দন্দি পীবিগদবনি। করপসন হায়ববু মীয়াম্না মীৎনা শং শং উনরবমক্তনি। মশাগী ইনকমগা চান্নদনা ৱাংখৎলক্লিবা য়ূম, মমল তাঙল-তাঙলবা গাড়ী, লেপশিল্লিবা লৌ-ইঙ্খোল কদায়দগী লাকপনো থিগৎপদা ইরায় লায়না ফাবা ঙমগনি। তৌবতবু থবক ওইনা পাঙথোক্তবগী ৱা খক্তনি। শেল চাবা হায়ববু অদোমগী লৌ-ইঙ্খোল য়েন্থোক্লবগী লম ওনবা লাকপদা টি আর কক্তবিদা ইরায় লায়না লুপা লিশীং তরা'মা করি'মা তিংনরিবদুনি। শেলবু পীদ্রবা থবক তৌবীবগী ৱাদি লৈত্রে।

হন্দক্কী লৈঙাক অসিদি মথং মথং নুংঙাইখৎলক্লি মদুদি হান্না তৌরম্লগসু ওইদনা তোকখ্রবা থবক কয়া মথং মথং পায়খৎলকপগী মমি তারি। মদুদি লম খোপচিনবা তকথোকপা, মসিমসু য়াম্না ইন্টরেষ্টিং ওইবা হীরম অমনি। লম খোপচিনবা তকথোকপসিদি খ্বাইদগী হেন্না ৱারগদবা থবকনি। মদুদি ইরায় লায়না হেক হায়রবদা অদোম অদোমগী লৈকায়দা, খুন্দা নৎত্রগা মফম অমদা হেক্তা ওইবা য়াই। লম খোপচিন্দবা মী অদুম লৈরমগনি। লমখোপ কাঙবুসু অদুম্মক মরৈবনি। মশা মশাগী ইঙ্খোল বাউন্দরিদগী য়ামদ্রবদা ফিট অহুম চঙশিল্লগা য়ূম কৈ শাবা, ড্রেনেজ ফজনা চেলহন্নবা শেন্বীরগদি মফবা। মদুদি নত্তেদো য়ারিবমখৈ লমগী ৱাসিদি লৌশিল্লগে, খোপচিল্লগে, শম্বল, ৱাল খাজিল্লগে অসিনি। য়ূম অমগা অমগা কৃক-কৃক ইন্ননা শারে। শায়জিনগা শায়জিনগা ৱায়শিন্নরে। য়ূম-কৈ হান্না শাবদুনা হেঞ্জিল্লগা শাজিল্লকপনা অয়াম্বনি। মথং শাগৎলকপা অদুনসু তৌগে য়েংঙু হায়বগী মতাগুম মাগী ফংফম থোকপা চাং য়ৌনা শাগৎলক্লে। মখাদনা ড্রেন, খোংবান-লুকপান ফুনজিনখ্র। নোং খজিক্তং চুরকপা মতমদা মথক্তগী হৈথরকপা নোংগী ঈশিং চেনফম লৈত্রে। লৈরক, লম্বীদা, সরক্তা ওইনা ঈশিং চেনখৎলক্লে। মদুমক্কি মীয়াম্না তোয়না উরিবা। মাগী লৈরক্তা, য়ূমদা চঙবা য়াদ্রবা (মদুসু ঈশিং থুমজিনবদগী) মতমদা কার অদু লৈকংদা খাল্লগা ইষ্ট্রি তকপা নানখ্রবা খোঙগ্রাও, ফনেক অদু তাখৎলগা নুপাগী ওইরগনা লংত্রিক লংনা কাপ থাবা খোঙউপ অদু লুপহনবা মখৈ জোপ জোপ কুমথরগা চৎলিবদু লম খোপচিনবদা মপী ওইবা সহরগী মীসু য়াওরি।

মসিনি হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ইম্ফাল ময়োলদা তোয়না থোক্লিবা থৌদোক। মশা মশাগীদি খল্লগা তুংদা হৌরক্কদবা মীরোলশিংনা ৱাহৌগদবা, অপনবা পীগদবা ফীভম অদু খন্থহৌদবগী ৱানি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ইশিৎপদা নুমিৎ নীনিদা কংবা ঙল্লমদবা খোংবাল, কোম কয়া ঙসিদি মশক উবা ফংখিদ্রে। য়ূমগী য়ূম ঙাক্তা ঙাইখ্রে। ঙামু, ঙাক্রা, উকাবী, ফাবৌঙা, মৈতৈ ঙামু, ঙাশাং, ঙাপেম্মা, ঙাখা মশক উবা ফংলক্ত্রে। য়ূম অমগী লৈপল, খোংবাল, পুখ্রি লৈনরম্বদু পুৱারী ওইদুনা লৈহৌরে।

হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা লৌখৎলকপা অনৌবা খোঙথাং অমা ওইনা ইম্ফালগী মরু ওইবা লম্বীশিং পাকথোরক্কদৌরিবা অসি এসেমব্লি সেগমেন্ট তরেৎতা লৈরিবা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়জরি। মরমদি ইম্ফাল ময়োল অসি অসুক্কী মতিক চিনবা মফম অমা ওইরে। অথু অকায়গী ওইবা, ইমর্জেন্সিগী ওইবা অনাবশিং পুরকপদসু অপনবা ওইদুনতা লৈরিবশিং অসিগী খনবীরবা ঐখোয় পূম্নমক মতেং পাংনবগী ৱাখলদা লম্বী পাকথোক্লবা লৈঙাক্না হোৎনবিবসিদা মতেং পাংমিন্নসি। ইম্ফাল ময়োলগী পাওনা বজার, থাঙ্গাল বজারদা পার্কিং ওইহনগুমসি হায়না লৈঙাক্না লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি মশাগী কান্ননবগী নত্তে। মীয়ামগীনি। অফবা থবক তৌরকপা মতমদা য়েৎকনিদা খনবা ৱাখলসু থাদোকহন্নীংই। খ্বাইরম্বন্দ বজারগী দুকান মমাঙদা দুকান্দারশিংনা থৌরি তিংলগা 'নো পার্কিং' হায়না থাদুনা থেৎলিবা মফমদু অদোমগী লম নত্তে হায়বসি খঙবীবা ফৈ। হন্দক লৈঙাক্না মীয়ামগী নুংঙাইনবা লৌরক্লিবা খোঙথাংশিংদা মতেং পাংমিন্নরসি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

খুদম, লাইনিংথৌ সোরারেননা কোন্থৌজম লাইরেম্বী লৌই। লাইনিংথৌ ৱাংব্রেননা অনাল চনু শংনু লৈমা লৌই। অতোপ্পা খুদম অমদি - অঙনবা মতমগী চকপশিংগী লৌন লৈনবদা খুন ৱাংমা লান্না/ফুরুপ তোঙানবদা লৌন-লৈনরমদবগী মতাং অদু খঙনৈ। খুন্নাইদা অহোংবা/অওনবা লাকখিবদি কায়নথংদনি হায়বা য়াই।

পনবা য়াবদি মৈতিংঙু কিয়াম্বা (খৃ: ১৪৬৭-১৬০৮) গী সনা হাক্তক্তা নোংচুপলোমদগী মীচেন ওইনা ভারত বর্ষসিদা মোগোলশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলকপদগী হিন্দুশিংবু য়াম্না থিনা ওৎ-নৈবীবা অমদি লাইনীং লিচৎতা অয়েৎ অপন পীরকপদগী বামোনশিংনা মশাগী লাইনীং লাইশোন, মনাৎ কঞ্জবগা লোয়ননা হিংবদা খুদোং চানবগীদমক বামোন নুপাশিং মশা মরোমদোম, খরনা লাই পুরগা মোগোলশিংনা চঙবা ঙল্লোইদবা চীংগী অশেংবা উমং অমদি চীংলোন কয়া লান্দুনা লাক্লগা কংলৈ/কংলৈপাক অসিদা য়ৌরকখিবনি। হায়রিবা মতমসিদি হিন্দুগী মহাভারতকী মতমগা য়াম্না কাননবা মতমনি। অদুনা মহাভারত্তা য়াওবা মণিপুরগা নোর্থ ইষ্টতা নৌনা মমিং থোল্লকপা লমদমসিগী মণিপুরগা মতমদুদা হীরম খুদিংদা মরী লৈনখিদে হায়বা তাকচরবনি।

৪) মণিপুর ওরিষা ষ্টেটকী মনুংদা লৈবা বালেশ্বর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ৩৯ লাপ্পদা লৈবা সোরো তহশিলগী মনুং চনবা খুঙ্গং অমনি। মণিপুর ওরিষা ষ্টেটকী মনুং ভুবনেশ্বরদগীনা কিলোমিটর ১৬৮ অদুগা সোরোদগীনা কিলোমিটর ৮ লাপই। মণিপুরগা নক্লবা সিটিশিংদি সোরো, বাসুদেবপুর, বালেশ্বর অমসুং ভাদ্রাকনি। মণিপুর বে ওফ বেঙ্গোলগী তোর্ব্বান নক্লা লৈবা মফমনি। ওরিষা মণিপুরগী মীয়াম্না ঙাঙনবা লোলনি। (Source : Onefivenine.com)

নাকল অমরোমদা, নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা লৈরিবা মণিপুর (হান্না কংলৈ/কংলৈপাক কৌরম্বসি) ষ্টেট (খুঙ্গং নত্তবা) চীংলোন মাপননা কোয়শিল্লগা মীন সি লেভেল (এম এস এল) দগী মিটর ৭৯০গী মথক্তা লৈবনা ঈশিংগী ঈপাক (সমুদ্র) মফমসিদা লৈতে। মফমসিদা লৈবা য়েলহৌমীশিং মোঙ্গোলোইদনি, অর্য়ান নত্তে। মণিপুরী (মৈতৈলোল/মীতৈলোল) না ষ্টেটসিগী ওইবা লোলনি। হয়িচক্কী মতমদগী নিংথৌ পানবা, খুদম - কাংবা নিংথৌ মনীং মখা তম্বা লৈবাক ওইরকই। অদুবু মণিপুরনা মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইরম্বসি খৃ: ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা ইন্দিয়াদা তিনবগী খূৎয়েক বোধচন্দ্র নিংথৌবু নমদুনা পীহল্লবা  মতুংদা খৃ: ১৯৭২গী জন্যুৱারী ২১দা ষ্টেট হুদ ফংলকখবা মণিপুরগা মহাভারতকী মতমদা য়াওবা মণিপুর ওরিষাদা লৈবগা কমদৌনা হিন্দু লাইনিং লিচৎ পামজবশিংনা শম্নহন্দুনা মরী লৈনহন্নবা হোৎনরক্লিবনো হায়বসি মমঙদা উখিবদু চোইরোল ওইনা ঙাঙবনি হায়না লৌবা চুমগনি হায়রগা তেনশিঞ্জরে।

ঈনাৎকী চৎন লোনচৎ মপূং ফানা য়োকখৎপা :

মালেমদা লোনচৎ লীচৎ মান্নদবা লাইনীং লাইশোন তৌবা ফুরুপ কয়া লৈ হায়বা মালেমগী মীওইশিংনা খঙই। লাইশোন তিনশোন অমগা অমগা মান্নদবনা মদুদা শীজিন্নবা পোৎলম চৈরমশিংসু মান্নদে। মান্নবা খরা য়াওবদুসু শেম শাবগী মওং মতৌ মান্নদে। কৎপগী মওং থম্ফম মফমসু মান্নদে। খুদমশিং মখাদা মতাং চানা চানা পীরক্কনি। অদুনা মান্নদবা পোৎকীদমক্তদি হায়রুবগী নৎত্রগা খন্নরুবগী থোইনা মথৌ তাদে হায়না লৌগনি।

ঈনাৎকী ৱাফম নত্তনা অতৈ অতোপ্পগী মরমদদি অপান্ননা হায়নীংদে। অদুনা খেন্নবা থৌওং তাকপদা অতোপ্পগী লাইনীং লীচৎতমক হায়না হায়জগে। মদুদা অদুম খঙবীরো। মান্নফম থোকপদা মান্নদবগী মরমদি অনৌবা লাইনীং লীচৎ অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরুবদগীনি। করম্না করি তৌবগীনো হায়বদি মরী লৈনবশিংনা শোয়দনা খঙগনি। মথৌ তাবদা তঙাইফদনা পন্দবা য়াদবা মতাংদতা পঞ্জরক্কে।

১) ঈনাৎকী লাইনীং লাইশোনগী চৎনবীদা শকপাল ওইনা অকক্লবা শক্তম/মীতম অমা শারগা থম্বা চৎনদে। কোমায় হায়দনা শেঞ্জেংনা (মরু ওইনা) হৈদুনা থম্বগী/লাৎপগী মওংদি তৌনৈ। খঙবদা উবদা লায়নবগীদমক তোংলোম য়ুম্ফম অহিং/হয়িং খোংবান্দা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবীগী শক্তম শেঞ্জেংনা কোমায় ওইরগা শঙলেন মনুংদা নুংতিগী শঙলেন থোঙ হাংদুনা ঈরাৎ ঈশোন তৌবা থেংনবীগনি। নুমিৎ খুদিংগী পেনা অশৈবশিংনা পেনা থৌগল চঙদুনা য়াকাইরোল শক শোনবা অদুম তৌই। অমাইবা অমদি অমাইবীনা নুংতিগী থৌগল চঙদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা, মৈরা-মনম লাংবা অদুম তৌই। লাইফমসিদা পামজবা পামজবী মচা-মনাইশিংনা কৎচনীংবা পোৎলমশিং পুরকপশিংদু কৎপা য়াবা য়াদবা য়েংলবা মতুংদা পুরকইবা পোৎলমশিংদু কৎহল্লগা খুরুম খাজংদুনা থৌনিজবা অদুম তৌই। মৈ চঙবা পোৎলমশিং অমত্তা কৎতে। উজবদা হৈরাং লৈরাংনা শঙলেন মনুংদা কৎলগা, মৈরা মনমনা শঙলেন থোঙগী মপান্দা হায়বদি পাক চাওরবা মাঙ্গোলগীদা মীয়াম্না কৎনবা থম্লিবা অদুদা কৎনৈ। ●